# মপুগী মিংখৈ শোল্লশি

তাইবং মীওইবা ঐখোয় অসি অৰা- অনা তারবা অমসুং অতৈ পাম্বৈ লৈরক্তবা মতমদা অচৎ-চৎত, লেঙলি-পাল্লিবা অমদি মালঙ-নোংলমপান থা, থৱান্নীমচাক, নুমিৎ খিবীক অসিবু শেম্বী -শাবিরিবা অদুগুম্বা মতীক ময়াই চাউরবা মপু অদুগী মিংখৈ হেক হেক শোন্নৈ। খৈরবা, অতোপ্পা অমমুক লৈত্রবা মিংখৈ অসি শোল্লগা ঐগী, নঙগী, মাগী হায়বা ৰাখল অসিতনা মরম ওইদুনা মহৈ মহৈ কঙাওননা হিংনরিবা মায়াগী সংশার অসিদা মীওইবনা অরান-খুভম ফংনৈ, লাইরৈপাক্লা তমজনফম ওইরবা ঈং-চীক্লবা অমসুং নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবা তেংবানবা অমগী মঙ মঙই। ঙসিদগী চহি ৪৯৫গী মমাঙগী ইংলেন্দদা থোমাস মুরনা ‘উতোপিয়া’ হায়না মিংথোনবা --- অসিগুম্বা লাইরৈপাক্লা তমজনফম ওইরবা ঈং-চীক্লবা তেংবানবা অমগী মশক উৎপা--- মমিং চৎলবা ৰারেং-লাইরীক অদু ইদুনা পুথোক্ত্রিঙৈ চহী লীশীং অনি অহুমলোমগী মমাঙদা ইন্দিয়াগী বেদ-শাস্ত্র অমসুং উপনিষদনচিংবা কয়ানা নিংথৌশু, প্রজাশু খেন্নবা লৈতবা, ফত্তবা অরানবা হায়বদু মশক খঙদবা ‘রামরাজ্য’গী আইদিয়েলিজম অদু পাক-শন্না শন্দোকখ্রে। মতুংদা খৃষ্টিয়ানিতি অমসুং ইস্লাম লাইনীংনচিংবা কয়া শনে দাক্লক্তুনা শাবুক-ঙাবুক্লরবা মীওইবগী লাকঙম-ফাঙমদ্রবা পূক্নীংগী অঙাওবা শগোলবু য়াচল লাক্লবা হোৎনরকখি। অদুবু পুন্নমক অসি অদুক হাক্লা মহৈ য়ানবা উদে। নোংম-নোংমগী মীওইবনা ফত্তবা, তমথিবা অমসুং হিংচা-য়াইতন্বগী শাজৎ চৎপা হেঞ্জিল্লকই। মালেম অসি অকনবনা অশোনববু তুহৎফম অমদি লানঙম ফীরাল থেৎপা ঙম্বা কাঙবু অদুনা অচুম্বা শকফম ওইনা ঙসিসু অদুম্মক হিংনরি। মসিবু গীতাদা শ্রীকৃষ্ণনা “তেংবানবা অসি পরম প্রকৃতি অমসুং পরম পুরুষ অনিগী কর্ম্ম ফল ওইনা ফংবগুম ঐখোয় মীওইবসু হিংদুনা লৈনবগীদমক্তা কর্ম্ম তৌদবা য়াদে, মরম অসিনা হে আর্জ্জুন ! কুরুক্ষেত্রগী লানফম অসিদা নঙগী নমাঙদা লৈরিবা কৌরব তেঙ্গোলগী নবুধৌশিং অমসুং নচিন-ননাউ, নখুরা-নতোন পুন্নমক অসি নঙগী য়েক্লবনি খল্লু, মখোয়বু হাৎপা হায়বসি নহাক্কী তৌফম থোকপা কর্ম্মনি” হায়না মশক তাকই। ৰাফম অসি ওইদুনসু অরানবা অমসুং মীগী মাঙনবা শীনবা কর্ম্ম অদুদি হীন্দু শাস্ত্র য়াওনা মালেম অসিদা লৈরিবা করিগুম্বা লাইনীং মখল অমত্তনা অয়াবা পীবা তৌদে। শাস্ত্রনা লাউরি মীওইবা পুন্নমক অমত্তনি, উপাল অমদা উহৈ কয়ামরুম পানবগুম মপূ মহাক্কী মচা-মশু ঙাক্তনি, অৰাবা অমসুং নুংঙাইবা মীৎকুপ খূদীংমক্তা মপু মহাকপু কাউগনু, মপুগী মিংখৈ শোল্লু, মদুতদা তাইবংগী অৰাবা কোক্কনি। থৌওং অসিমক ঙসিগী মালেম অসিদা হীন্দুসু, খৃষ্টিয়ানসু অদুগা ইস্লামিকশিংনসু তৌনরি। রাম নাম শোল্লগা কংশগী শক্লোন লৌনরি, প্রভু যিশুগী মিংদা মীওইবগী অঙাংবা ঈখেংনা মশা মশাগী পাপ চামথোক্লবা হোৎনরি অমসুং শেংলেন শেংথোইরবা পড়ৰরদিগার অল্লাহগী জিহাদিশিনা মালেম অসিবু ঙাইঙমদ্রবা মতৌদা কয়ামতকি অরোইবা পূংফম অদু তম্না চিংশিল্লক্লি। লাল হায়বসি মীওইবগী মনাৎনি। অদুবু অসিগুম্বা মনাৎ অসিদা মীওইবশিংগী মশাদা য়াওরিবা অফ-ফত্ত অমসুং অচুম-অরান খহ্নবা ঙম্বগী গুন অদু মমি তাহনবা ঙল্লবদি লাইরৈপাক্লা তমজনম ওইরবা ইং-চীক্লবা মালেম অমা শেমগৎপা ওইথোক্কনি। ফি শেৎপা মীওইবগী চাওখৎপা নত্রগা সিভিলাইজেসন হায়না খঙনরিবা অসিগী অশেংবা ৰাহল্লোক অদুসু মসিনি। অসিগুম্বা গুন অসি ঐখোয়গী লৈঙাক-মপুশিং, অমসুং মীয়াম পুন্নমক্কী মফমদা পীনবীনবা তাইবং-মপুগী মিংখৈ শক-শোন্দুনা থৌনিরসি।